ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, মে ১৩ : য়ুথ ফোর চেঞ্জ মণিপুর একমি ফর্টিলিটি হেল্থক্যের সেন্টর অমসুং লাইফ সেভর মণিপুরনা পুন্না শীন্দুনা ঙসি একমি ফর্টিলিটি হেল্থক্যের সেন্টর পুরানা রাজবারিগী কুসুম ওইল পম্প মনাক্তা নোংমগী ওইবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসিদা দোনর ৮৪না শরুক য়াদুনা ঈ কৎখি হায়না সেন্টর অসিগী প্রোগ্রাম কনভিনরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ষণ হীদাক কাপখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩ : ইরোইশেম্বা য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লবকা ভেক্সিনেসন সার্টিফিকেট, মণিপুর জুলোজিকেল গার্দেন ইরোইশেম্বগা খুৎশম্নদুনা ইরোইশেম্বা য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লবতা ইরোইশেম্বা অমসুং তাকয়েল খোংবালগী শা-ষণ, হুই-হৌদোংনচিংবা কয়া লায়না তিন্নদগী ঙাকথোক্লবা হীদাক কাপথোকপগী প্রোগ্রাম অমা ঙসি অয়ুক পুং ৬তগী ১০ ফাওবা পাঙথোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

জি বি মিটিং

ইম্ফাল, মে ১৩ : আইদেল ক্লব সগোলবন্দ তেরা কৈথেলগী জেনরেল বোদি মিটিং মে ২৮দা ক্লব অসিগী লম্পাক্তা পাঙথোক্কনি লোয়ননা মীফম অসিদা কুমজা ২০১৭-১৯গী থৌপুগদবশিংগী ইগক্যুটিব কাউন্সীল শেমগনি। মিটিং অসিদা শরুক য়ারদনা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

যোগ ওলিম্পিয়েদ

ইম্ফাল, মে ১৩ : ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু দিরক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)না শীন্দুনা থা অসিগী ১৫দা অনীশুবা ষ্টেট লেবেল যোগ ওলিম্পিয়েদ ২০১৭ জি এম হোল ইম্ফালদা অয়ুক্কী পুং ৮দগী হৌনা পাঙথোক্লগনি। তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসারশিংনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল যোগ ওলিম্পিয়েদ পাঙথোক্তুনা খনগৎলবা মহৈরোয়শিংনা কেটিগরি অনী অপ্পর প্রাইমারী কেটিগরি অমসুং সেকেন্দরি কেটিগরিদা দিষ্ট্রিক্ট অমমমদগী যোগ শান্নরোয় নুপামচা অমসুং নুপীমচা ১৬ অমদি ওফিসল অনী শরুক য়াগনি হায়রি। খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদু নেসনল যোগ ওলিম্পিয়েদ ২০১৭ ন্যু দিল্লিদা জুন ১৮দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শরুক য়াগনি হায়না দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)কী ফিজিকেল এদ্যুকেসন প্রমোসন ওফিসার (যোগ)না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থাউ চিংবা য়াহনবীয়ু

ইম্ফাল, মে ১৩ : ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চেনেল পার্টনর ওইরিবশিংনা ওর্গনাইজেসনশিংদা থা অসিগী ১৪দগী নেসনল হায়ৱে ফাওদুনা মীয়ামগীদমক্তা য়েংদুনা পেট্রোলিয়মগী পোৎলমশিং মখা তানা চিংবা য়াহনবীয়ু হায়রি।

মিদ-দে-মিল

ইম্ফাল, মে ১৩ : মিদ-দে-মিলগী কুক্কী ওনরিয়ম শুপ্নতগী লুপা ১০০০ খক ওইরিবা অসি হেনগৎহনবীয়ু। অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদদি কুক অমগী থাগী ওনরিয়ম লুপা ১৫০০ ফাওবা য়ৌনা পীবগা লোয়ননা ফেষ্টিবেল এলাৱেন্স ফাওবা পীরে হায়না মিদ-দে ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী চেরোলনা হায়রি।

থবক্তা ওন্থোকপীয়ু

ইম্ফাল, মে ১৩ : মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৮দা খুরাই হৈক্রু মখোঙদা কাউন্টর ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিনখিবা অদুদা অৱা-অনা নংখ্রবা মীওইশিংদা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা কম্পেন্সেসন পীগনি হায়বা ৱাফম অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা কাউন্টর ব্লোকেদ খোঙজং মায়োক্লখিবা মীওইশিংগী জোইন্ট এক্সন কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি। হায়রিবা নুমিৎ অদু বন্দ নৎত্রগা কাউন্টর ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না তম্পাক্কী ওর্গনাইজেসন অমত্তনা মাঙজৌননা লাউথোকখিবা লৈতে। অদুবু মণিপুরগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা উখুল তম্না থিল্লকপা খৃষ্টমাস য়াওগদবা মহৈরোয় অমদি মীয়ামগী কনভোইদা এটেক তৌদুনা গাড়ী ২৪ মৈ থাদোকখি অমদি মরাল লৈজদবা মীওই কয়াবু অহানবা এম আর গ্রাউন্দদা লৈবা কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈহনখি। থৌদোক অদুদা অৱা-অনা নংলবা মীওইশিং অদুগী গাড়ীশিং অমদি মখোয়না পুরকপা পোৎলমশিং অদুগী চপ চাবা কম্পেন্সেসন পীগনি হায়না মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা থাজবা পীখি। অদুম ওইনমক হৌজিক পীখিবা কয়া অদু থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্ত্রে। মরম অসিদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা মতম অদুগী লৈঙাক্না পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু থবক্তা ওন্থোকপীয়ু নৎত্রবদি মখা তানা থোরকপা পামদবা থৌদোক্কী থৌদাং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পুগদবনি হায়রি।

মোইরাংদা ইন্দিয়াগী ট্রাই কলর ফ্লেগ চিংখৎখি হায়বদু অরানবনি : কে এস এ

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস) :

অরিবা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা মোইরাং কংলাগী হৌজিক লৈরিবা শঙলেন অসিগী মমাঙথংবা থোঙজাওগী নাকলদা হৌখিবা কুমজা ১৯৪৪গী এপ্রিল ১৪দা আই এন এনা ইন্দিয়াগী লৈমায়দা ইহান হান্না মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎখি হায়না থারিবা অসিনা মীয়াম্না চমন্নবা ফাওহল্লে হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না ফোঙদোরক্লি।

কে এস এগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন অর্পননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মসিগীসু মথক্তা মমাঙথক্তগী তম্নরকখিবা মহৈরোয়শিংগী সোসল সাইন্স লাইরিক্তদা নত্তনা হন্দক্কী বোসেমনা প্রিস্ক্রাইপ তৌবা ক্লাস টেনগী লাইরিক্তসু ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল অসি ইহান হানবা ওইনা মোইরাংদা চিংখৎখি হায়না য়াওরিবা অসিনা মহৈরোয়শিংবু লান্না লমজিংল্লে। মসিদা নত্তনা মখল ময়া অয়াম্বা জি কেনচিংবা লাইরিক কয়াদা আই এন এনা মোইরাংদা লান মনুংদা মচু অহুমগী ফিরাল ইহান হান্না চিংখৎখি হায়বা চমন্নবা ৱাফম অসি অদুমক থেংনরি। তশেংবদি ঐখোয়না অনীশুবা লাঞ্জাও নৎত্রগা জপান লান হায়না খঙনরিবা সেকেন্দ ৱর্ল্ড আরগী মনুং চন্না কুমজা ১৯৪৪গী এপ্রিল ১৪দা নেতাজি সুভাশ চন্দ্র বোসনা লূচিংবা আই এন এগী কর্নেল এস এ মলিকনা চিংখৎখি হায়রিবা ফিরাল অদু মচু অহুমগী ফিরালদি ওইরগা মদুগী এমব্লেমনা ময়াইদা অচোংবা কৈ য়েকপদুনি। ফীভমসিদা মতৌ করম্না মোইরাংদা মতমদুদা আই এন এনা ইন্দিয়ান ট্রাই কলর ফ্লেগ চিংখৎখি হায়গদৌরিবনো হায়নসু হংলক্লি।

হৌজিক মীয়াম্না খঙনরিবা ইন্দিয়াগী নেসনল/ইন্দিয়ান ট্রাই কলচর ফ্লেগ অসিদি কুমজা ১৯৪৭গী জুন ২৩দা শেমখিবা রাজেন্দ্র প্রসাদনা লূচিংবা কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এদহোগ কম্মিটি ওন নেসনল ফ্লেগনা কুমজা ১৯৪৭গী জুলাই ২২দা হৌজিক ওইরিবা মচু অহুমগী ফিরালগী মরক্তা অশোক চক্রানা এমব্লেম ওইবা মচু অহুমগী ফিরাল অসি এদোপ তৌখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দগী ওফিসল ওইবা ইন্দিয়াগী ফ্লেগ ওইরকখিবনি।

কুমজা ১৯৩১দা ফমখিবা আই এন সীগী মীফম অমনা স্পিনিং হ্বিল (চরখা)না এমব্লেম ওইবা মচু অহুমগী ফিরালনা ওফিসল ওইনবা লেপ্নজরবসু মদুনা নেসনল ফ্লেগ অমদি ওইখিদে। ইন্দিয়াগী নেসনল ফ্লেগনি হায়না চিংখৎখিবসু লৈতে। ইন্দিয়াগী নেসনল মুভমেন্টকী তাঙ্কক কয়াদা তোঙান তোঙানবা মখলগী ফ্লেগ কয়া শীজিন্নরমখি। অদুবু মদুনা ইন্দিয়াগী ওফিসল নেসনল ফ্লেগ অমদি খক ওইখিদে। মরম অদুনা মীপুম খূদিংমক্তা অমদি পার্টি খূদিংমক্তা য়েৎনরোইদবা ফ্লেগ অমা ওইনবগীদমক নৌহৌননা কুমজা ১৯৪৭তা অমুক শেমদোকখিবনি। অসিগুম্বা ৱাফম কয়াসিনা মরম ওইদুনা আই এন এনা মোইরাংদা চিংখৎলম্বা ফিরাল অদু ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরালনি হায়রবদি য়াম্না লান্না চৎনিংঙাই ওইবা অমদি হৌরক্লিবা অমদি হৌরক্কদৌরিবা মীরোলদা পুৱারীবু মফম মরাং খঙহন্দবা ওইনা থোক্কনি।

অমরোমদা, থৌওং অসি মীনম শোরি তৌদুনা নম্ফুদা ইন্দিয়ানাইজেসন প্রোসেসতা য়াওহনবনি হায়বগী মরম লৈব্রা হায়না হংলক্লি।

ডা. প্রিয়াদর্সিনি এম গাংতেনা ইবা রিভিজিটিং নেতাজি রোলস ইন দ ফ্রীদম ষ্ট্রকগল ইন ইন্দিয়া, আই এন এ এন্দ মণিপুর পর্স্পেক্টিব হায়বা আর্টিকল অমদসু আই এন এনা মোইরাংদা চিংখৎলম্বা ফ্লেগ অদু অচোংবা কৈনা এমব্লেম ওইবা ট্রাই কলর ফ্লেগনি হায়না ইরি। ইন্দিয়ান কাউন্সীল ওফ হিষ্টোরিকেল রিসার্চ, মিনিষ্ট্রি ওফ ঐচ আর দি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৮দগী ১০ ফাওবা পাঙথোকখিবা নুমিৎ ৩নিগী ওইবা নেসনল সেমিনার ওন আই এন এ এন্দ ইস কন্ট্রিব্যুসন টু ইন্দিয়াস ইন্দিপেন্দেন্ট হায়বা সিমিনার অদুদা প্রো. চিত্রা গোজনা পীখিবা কিনোট এদ্রেস অদুদসু আই এন এগী লান্মীশিংনা ইন্দিয়াগী নীংখা তম্বগী লান্থেংনবগীদমক অচোংবা কৈ য়াওবা ট্রাই কলর ফ্লেগ অদু পায়দুনা ৱাশকখি হায়নসু য়াওরি।

মণিপুরগী ফ্রীদম ফাইটর অমা ওইরম্বদা নত্তনা এক্স-আই এন এ অমদি মণিপুরগী সী এম ওইবিরম্বা এম কোইরেংনা ইবা কন্ট্রিব্যুসন ওফ দ মণিপুরীজ ইন দ আই এন এ মুভমেন্ট হায়বা আর্টিকল অমদসু আই এন এনা মোইরাংদা চিংখৎলম্বা ফ্লেগ অদু অচোংবা কৈনা এমব্লেম ওইবা মচু অহুমগী ফিরালনি হায়না ইরি।

অমরোমদা, আই এন এগী এক্টিব ওইবা মতম অদুদা অচোংবা কৈনা ইমব্লেম ওইবা ফিরাল অদুনা আই এন এগী ফিরাল ওইরবসু চরখা য়াওবা ফিরাল অদুসু লানগী মনুংদা লান্মীশিংনা শীজিন্নরমই হায়বসি মোইরাংগী আই এন এ ম্যুজিয়ম য়াওনা রেকোর্দ কয়াদগী ফংই। পুৱারী হায়বসি হৌখিবা থৌদোক কয়া তুংগী মীরোলদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবগীদমক পরম চুম্না থম্বা চঙই। অদুবু হৌরক্লিবা মীরোলদা পুৱারীদু চমন্নবা মওংদা নৎত্রগা লান্না চৎখিবা য়াবা মওংদা থওইনা থমহন্দুনা লান্না লমজিংলবদি অদুমক লান্না চৎখিবা তাবনি অমদি ফজরবা পুৱারী কয়ানা লৈতেংলিবা ইরৈবাক অসিগী পুৱারীবু লান্না লমজিংনবা হোৎনবনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। অদুক কুইরবা মতম অসিদা শেংলবা মোইরাং কংলাদা থারিবা অমদি লাইরিক লাইশু কয়াদা লান্না ইশিল্লিবা অসিদা কনামত্তনা ঙসি ফাওবদা ৱায়েৎ/ওবজেক্সন পীদ্রিবা অসিসু লূপ অসিনা অঙকপা ফংনা নুংঙাইতবা ফাওজে। মরম অদুনা আই এন এনা মোইরাংদা চিংখৎলম্বা ফিরাল অদুদি অচোংবা কৈনা এমব্লেম ওইবা ফ্লেগ ওইবনা হৌজিক বোসেম প্রিস্ক্রাইপ তৌবা লাইরিক অমদি অতোপ্পা লাইরিক কয়াদা ইন্দিয়ান ট্রাই কলর ফ্লেগ অসি মতমদুদা চিংখৎখি হায়বসি লাল্লি। অরানবা অসিনা মরম ওইদুনা অথুবা মতমদা শেংদোরক্কদবনি। লোয়ননা মোইরাংদা লৈবা শেংলবা মোইরাং কংলাদা লান্না থারিবা অদুসু শেমদোক্কদবনি হায়রি। মদুগী মহুত্তা ট্রাই কলর ফ্লেগ খক্তমক নৎত্রগা আই এন এগী মচুম অহুমগী ফিরাল অসি মোইরাংদা মতমদুদা চিংখৎলমই হায়বসিনা অচুম্বা ওইগনি হায়রি।

সতজাল একাদেমিগী উরিপোক নম্বুল মপাল ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে

SATJAL ACADEMY
URIPOK KHAIDAI NAMBUL MAPAL BRANCH (GARDEN)
UNIVERSAL FRIENDSHIP ORGANIZATION
PRESIDENT
CHIEF GUEST

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস) :

য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা মৈতৈ হুয়েন লাংলোন শিন্তম শঙলেন (সতজাল) একাদেমিগী ২২২শুবা ব্রাঞ্চ ঙসি উরিপোক খ্বাই নম্বুল মপালদা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর কলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলর প্রো. নাওরেম খগেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট অমসুং অমজুগী প্রসিদেন্ট ৱাঙ্খেমচা শমজাই অমসুং এদভোকেট খুরাইজম কান্ত লিগেল এইদ কাউন্সেল ইম্ফাল ৱেষ্টনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগী হৌদোক ৱারোল পীরদুনা সতজাল একাদেমিগী কম্মান্দর ঐচ নাওখোম্বনা হায়খি, মণিপুর হায়বসি মশাগী কলচর অমসুং বাউন্দরি লৈজবা লৈবাক অমনি। চহী ৩০০ রোম অসিগী মনুংদা মীয়াম্না পুয়া মৈ থাবা হায়না খঙনবা অদুগুম্লবা মীতৈ লৈবাক্কী খ্বাইদগী লাইবক থিবা তাঙ্কক অমনি। অমরোমদা, চহী ৭ খুন্তাকপা হায়না মীতৈদা নত্তনা ফুরুপ অতৈনা ফাওবা নীংশিংনরি।

খোংজোম লান হায়না খঙনবা মণিপুরগী অনীশুবা লাঞ্জাও অদুগী চৈনাখোল লমদম অসিগী মীয়াম্না মতম য়াম্না কুইনা খাংখি অমদি লমদম অসিগী মীয়াম্না মদুগী মহয় ওইনা ইশাগী চৎনলোনচৎতা অদুক্কী মতিক কাংখোং চাইবা অমদি লৈতাদবগী তাঞ্জা অমা ঙসি লৈবাক মীয়াম্না মায়োক্লরি।

অসিগুম্বা তাঞ্জা অসি করম্বা মতমদগী ওইখিবনো অমদি তুংদা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বদু নৈনবগা লোয়ননা লান লোইরকপা মতমদা অহল-লমনশিংনা য়াম্না ৱানা হোৎনবীদুনা চীংঙা মীফম পাঙথোক্তুনা মীতৈ লৈবাক্কী ওইবা তঙাইফদবা অরুবা ৱারেপ কয়া লৌবদা মীতৈগী থাঙ-তা অমদি ইনাৎ য়োকখৎপা হায়বা ৱারেপ অমগী মখাদা খুন্নাই অসি পাকথোক চাউথোরকপগী ৱারী থমজবনি।

লমদম অসিগা শাগোন্নরকপা লাইনিং লাইশোন, মীওইবগা তৎনথানবা য়াদ্রবা থকসি-খাসি অমদি মতম অদুগী ফজরবা ৱায়েল থৌদাং লোইনা ইপা-ইপুশিংগী পাম্বোমতনা ঙাকপীরম্বা ইরমদম অসিগী লৌরি য়ুম্ফম পূম্নমক অসি তেক্তা কায়দনা থম্বা পাম্বা লূচিংবশিং অদুনা খুন্নাই অসি শেমগৎপীরম্বনি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা য়ুম্নাম জয়কুমারনা হায়খি, উরিপোক্তা সতজাল একাদেমিগী কম্ম্যুনিটি হোল অমা শাসি হায়না খন্নবনি। মদু হন্দক চহী অসিদদি শোয়দনা শারগনি অমদি মখোয়গী করি অৱাৎ-অপা লৈবগে হায়বদু য়েংশিনগনি।

সতজাল একাদেমি হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা ওর্গনাইজেসন অমনি। মীতৈগী ওইবা অরিবা ময়াম অমা প্রিজার্ব তৌবা অসিদা ঐখোয়সু পূক্নিং থৌগৎপা মথৌ তাই। সতজাল একাদেমিনা থকসি খাসি অমসুং নাৎসু প্রিজার্ব তৌরিবনি।

হেরিকোনগী মপোক কুমওন থৌরম মে ১৬তা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস) : ইথনো হেরিটেজ কাউন্সীল (হেরিকোন)গী চহী ১৫ মপুং ফারকপগী মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ১৬তা জি এম হোল ইম্ফালদা খঙমিন্নসি ইরমদম হায়বা কুইজ কম্পিটিসন অমগা লোয়ননা পাঙথোক্লগনি।

হেরিকোনগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ওইনাম ব্রোজেন মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হেরিকোননা লমদমসিগী মীয়ামগী লূপ অমা ওইনা শাফোঙলকখিবা চহী ১৫ মপুং ফারক্লে। লূপ অসিগী থৌমীশিংনা হৈবা হৈতবা, খঙবা খঙদবা থিদনা খুন্নাই অসিগী মীয়ামগীদমক ঙমজবা থৌদাং খরদং ওইরবসু পাংদুনা লাক্লি।

লৈবাক, খুন্নাই, মীয়ামগীদমক থৌগল কয়া পাংজরকখিগনি। হেরিকোননা লমদমসিদা মীয়ামগী লূপ অমা ওইনা শাফোঙলকখিবগী মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা কুমজা ২০১০দগী হৌদুনা পাঙথোরকপা ইরমদম অসিগী মরমদা নৈনবা, ইরমদম অসিগী মরমদা ঐখোয় পুন্না হোৎনজরিবা খঙমিন্নসি ইরমদম হায়না মিংথোনবা কুইজনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কুইজ অসি হৌখিবা এপ্রিল ৩০দা পাঙথোকখিবা প্রিলিমিনরি রাউন্দদগী খনগৎলবা টিম মঙানা শরুক য়াদুনা লৈবাক্কী ওইনা চাংয়েংনরগনি। টিমশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা জোন ষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী খুমুকচম রোবিন্সন অমসুং প্রদিপকুমারনা ৱাহেংবম অমদি খাইদেম বিলিয়ানগী টিম, অনীশুবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা মাঙ্গোলজাও ইংলিশ স্কুলগী হেমজিৎ য়ুম্নাম, সমানন্দ য়ুম্নাম অমদি খাইদেম সৈত্যজিৎকী টিমনি।

অহুমশুবা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী খুদোংবম দিয়ানন্দ, সনসম জেনিথ অমদি রাকেশ নিংথৌজমগী টিম, ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা য়ুরেকা একাদেমিগী ওইনাম বর্লিন, য়োসিরো মোদি অমসুং ওফেলিওগী টিম অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী লোয়ালম পব্লিক স্কুলগী ঙাঙোং জয়েন্ত খুমন, য়ুমখাইবম ইঙোবা অমসুং হাওবিজম জয়রাজ মীতৈগী টিমশিংনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কন্সোলেসন প্রাইজগীদমক প্রিলিমিনরি রাউন্দদা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা টিম ১৩দা পীগনি। মহৈরোয়শিংনা মশা মশাগী স্কুল য়ুনিফোর্ম শেৎলক্কদবনি লোয়ননা গার্জিয়ানশিংসু লোয়নবীরক্কদবনি। ওজাশিংনসু মহৈরোয়শিং গাইদ তৌবীরক্কদবনি হায়রি।

কন্সোলেসন টিমশিংনা হৌজিক্কী ওইরিবা কন্সোলেসন প্রাইজ অসি পীজরোই। নুমিৎ অসিদা লুপা ৫০০০গা লোয়ননা সাইটেসন অমদি ইয়োং ফিশিং য়াওবা মনাশিং খুদোল তমজগনি। মে ১৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা ইরমদম অসিগী মীয়াম পূম্নমক্না শরুক য়ামিন্নসি লোয়ননা অঙন্বা মতেং পাংবীনবসু ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস) :

লুক্রাম লৈরক য়ুথ ক্লবকী ইগজিক্যুটিব মেম্বর ওইরম্বা থৌনাওজম ইবোমচানা থা অসিগী ১২দা লৈখিদবদা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্টনা প্রিসাইদ তৌদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ক্লব অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকপগা লোয়ননা মেম্বরশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায় ঈং-চীক্লা লৈরুনবগীদমক তাইবঙ মপুগী মফমদা থৌনিখি অমদি লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

সিকোগী খোঙচৎতা শরুক য়াখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস) :

সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)না শীন্দুনা ইপা-ইপুগী লাইফমশিং খোঙ্গুল লীবা খোঙচৎ হায়বা থিমদা থা অসিগী ১০দা ইপা-ইপুগী লাইফমশিং খোঙ্গুল লীদুনা খুরুম্বা চৎপদা শরুক য়াখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

সিকোগী সেক্রেটরি জেনরেল কোন্থৌজম ইবোচৌবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অসিগুম্বা ইপা-ইপুগী লাইফমশিং খুরুম্বা চৎপগী খোঙচৎ অসি সিকোনা লেপ্পা লৈতনা মথং মথং পাঙথোক্লগনি। ইরমদম অসিগী কদাই কদাইদা করি লৈরি হায়বদু মীয়াম্না থিদোক খঙদোকমিন্নবা অমদি য়েংশিনবা চঙই।

ঐখোয়গীদি করিমত্তা লৈতবদৌনা শেল য়াম্না খাইদুনা মীরৈবাক্তা মায় ওনশিন্দুনা মীরমদা লাই খুরুম্বা চৎলোইদবনি। ইরমদম অসিদা লৈবা ইপা-ইপুশিংগী খুভম খুরুম্বা হায়বসিদগী হেন্না চাউবা মহয় অমুক লৈত্রে হায়না মখা তারক্লি।

ৱার্কশোপ কম দেমোষ্ট্রেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস) :

সেল্ফ ইমপ্লোয়মেন্ট ভোলুন্টরি এসোসিএসন (সেভা) মণিপুরগী এগ্রীকলচরেল য়ুনিট অমা ওইনা তৌবুল জি পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ততা হাংলিবা এগ্রো ইনফোর্মেসন সেন্টর (এ আই সী)না গ্রীন বাইওটেককা খুৎশম্নদুনা ৱার্কশোপ কম দেমোষ্ট্রেসন অমা পাঙথোকখ্রে।

সেভা এ আই টিগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ৱাহেংবম লনারজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৱার্কশোপ কম দেমোষ্ট্রেসন ওন গ্রীন বাইওটেক প্রদেক্সন ফোর বেনিফিসিয়েল ওফ ওর্গানিক ফার্মিং হায়বা প্রোগ্রাম অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১দগী হৌদুনা এ আই সী অসিগী ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা তৌবুল অমদি অকোয়বদা লৈবা লৌমী অমসুং অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংদগী লাকপা ওর্গানিক ফার্মিংদা থৱায় য়াওবা পুন্না লৌমী ১৫০ রোম্না শরুক য়াখি হায়নসু চেরোল মসিনা মখা তারক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা ডা. মুতুম দিনচন্দ্র দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার সেন্ট্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, অঙোম কেনেদি বিজিনেস দিভলপমেন্ট ওফিসার অমসুং নিংথেম সেন্স ইগজিক্যুটিব গ্রীন বাইওটেক্লচিংবা অখঙ অহৈ কয়ানা রিসোর্চ পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

খুন্দ্রাকপম চিংলেন চীফ ইগজিক্যুটিব ওফিসার সেভা মণিপুরনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি অমদি সেভাএ আই সীনা পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়া অসিগী মনুংদা মরুওইনা ওর্গানিক ফার্মিংগী মরমদা পীরিবা কান্নবশিংগী মরমদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থম্বগা লোয়ননা লমদম অসিগী লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা কান্নবশিং অসি লৌদুনা লমদম অসিদা ওর্গানিক ফার্মিং পাক শন্না পায়খত্তুনা হু চেন্দবা, চাবদা মচি ওইবা চীঞ্জাক মরাং কায়না পুথোক্তুনা চীঞ্জাক্তা মীপান তাংদবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

CROSSWORD-2411



ACROSS

1 Putting right (10)
7 Disadvantage (8)
8 Division of the school year (4)
9 Depend (4)
10 Hailed (7)
12 Trendy (11)
14 Bedaubed (7)
16 Ten cent coin (4)
19 Car (4)
20 Airmen (8)
21 Later on (10)

DOWN

1 Seat (5)
2 Conundrums (7)
3 Apiece (4)
4 Becoming narrower (8)
5 Saltpetre (5)
6 Gentle wind (6)
11 Able to read and write (8)
12 Renowned (6)
13 Bubble raised on the skin (7)
15 Distant in manner (5)
17 Noblemen (5)
18 Prospect (4)

Solution 2410



SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2210

	6		5		9	7		
				7				
9				3				1
4		3	7					
	2			5			4	
					4	9		6
6				1				8
				4				
		7	2		8		5	

Solution-2209

8	2	1	5	4	9	3	6	7
3	4	5	2	7	6	8	9	1
7	6	9	1	8	3	5	2	4
4	8	2	7	6	5	9	1	3
9	5	3	4	2	1	6	7	8
6	1	7	3	9	8	4	5	2
5	7	8	9	1	4	2	3	6
2	3	4	6	5	7	1	8	9
1	9	6	8	3	2	7	4	5

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

BYS
Palace Compound (Macha Leima School)
9863284750/ 9856088990
2016 2015 2014 2013 2012
ADMISSION OPEN
CLASS - X (BOSEM)
FOUNDATION COURSE
STARTING ON MAY 22, 2017.
MORNING: 4.30AM - 7.15AM
EVENING: 4.30PM - 7.15PM
HOSTEL FACILITY AVAILABLE
BYS Top Scorers - HOME SC.
94 94 91 91
HOME SCIENCE
EVENING CLASS (6PM)
Starting on 08/05/2017
LIMITED SEATS!! HURRY UP!!

DUTTA CLINIC
মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK
PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি
অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal